জোর্হাটকী ফোরেনর ট্রাইব্যুনেলনা বি এস এফকী ওফিসল অমা ফোরেনরনি হায়না লাউথোকখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

মুজিবুর রহমন কৌবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী ওফিসল অমা জোর্হাটকী ফোরেনরস ট্রাইব্যুনেলনা ফোরেনরনি হায়না লাউথোকখ্রে। রহমনগী লোইনবীসু ফোরেনরনি হায়না লাউথোকখি। অদুমওইনমক ওথোরিটিশিংনা মহাক্কী অহল-লমন অমদি মচা-মশুশিংবু ইন্দিয়াগী সিটিজননি হায়না ফোঙদোকখি।

অসাম-নাগালেন্দ বোর্দরগী গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা মেরাপানিগী উদয়পুর-মিকিরপতিদগী হৌরকখিবা রহমন্না হৌজিক বি এস এফতা থবক তৌদুনা পঞ্জাবতা পোষ্টিং তারি। ট্রাইব্যুনেলগী য়াথং হেক ফংবগা মহাক ছুটি লৌদুনা ময়ুমদা থোরকখিবনি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা রহমন্না হায়খি, হৌজিকফাওবা ট্রাইব্যুনেলনা নোটিস পীরকপা লৈতে। খুঙ্গংগী চীফনা পাউ পীরকপসু লৈতে। বোর্দর পুলিসনা পীবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইনা ট্রাইব্যুনেলনা ফোরেনরশিংগী মিং লাউথোকপদা য়াওরে হায়বা হন্দক্তা খঙলকপনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ৱাকৎ অমা গৌহাটি হায় কোর্টতা থাঙ্গৎলে। অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপশিং খন্দোকপদা অকায়বা লৈতে। অদুমওইনমক ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজনশিংদা মরম চাদনা অৱাবা পীবগী থৌওং চত্থরোইদবনি। কুমজা ১৯২৩ দগী অসামদা ইশাগী ওইবা লৈ হায়বগী মতিক চাবা চে-চাং লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ফোরেনর ট্রাইব্যুনেলনা আর্মি নৎত্রগা বি এস এফকী ওফিসল অমবু ফোরেনরনি হায়না লাউথোকপা হন্দক্না অহানবা নত্তে। থবক্তগী পোথারবা ইন্দিয়ন আর্মিগী কেপ্টেন মহমদ সনাওলাসু মে ২৮ দা ফোরেনরনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা গোলপরাগী দিটেন্সন কেম্পতা থম্বগী থৌদোক অমা লৈখ্রবনি। সনাওলাবু তুংদা গৌহাটি হায় কোর্টনা বেল পীখি।

অসামগী কামরূপ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা কোলোহিকাস খুঙ্গংদগী মহমদ সনাওলাবু বোকো ফোরেনরস ট্রাইব্যুনেলনা মে ২৩ দা ফোরেনরনি হায়না লাউথোকখিবনি। মে ২৮ দা সনাওলাবু অসাম পুলিসনা ময়ুমদগী ফারগা দিটেন্সন কেম্পতা থমখি। কুমজা ১৯৬৭তা কামরূপ দিষ্ট্রিক্টতা পোকখিবা সনাওলানা কুমজা ১৯৮৭তা ইন্দিয়ন আর্মিদা থবক চঙদুনা শাংলবা চহী ৩০ থবক তৌরম্লগা কুমজা ২০১৭ তা ওনরেরি কেপ্টেন ওইনা থবক্তগী পোথাখিবনি। কুমজা ১০১৪ দা জুনিয়র কম্মিসন ওফিসর (জে সী ও)না ফম কানবগী মতাংদা প্রসিদেন্টকী সার্টিফিকেটসু ফংখিবা মীওই অসি ২৬ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসতা পোষ্টিং তাদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দোদা দিষ্ট্রিক্টতা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন অহুমদা শরুক য়াখি। কুমজা ২০০৭তগী কুমজা ২০১৪ ফাওবা মণিপুরগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা পোষ্টিং তাদুনা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন্দা শরুক য়ারম্মী হায়রি।

থবক্তগী পোথারবা মতুংদা সনাওলানা অসাম বোর্দর পুলিসতা সব-ইন্সপেক্টর ওইনা থবক চঙখি। অদুবু মীওই অসিনা পীশিল্লকপা চে-চাংদা পোকপগী নুমিৎ অমসুং আর্মিদা থবক চঙবগী মতমদা চান্দবা খরা থেংনরে হায়বগীদমক ফোরেনরস ট্রাইব্যুনেলনা ফোরেনর অমনি হায়না লাউথোরকখিবনি হায়রি।

এগজাম থাগদবশিংদা স্কোলরসিপ পীগদৌরি

অগরতালা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

লাইরিক হৈরবা নহারোলশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা য়ু পি এস সীগী এগজাম থাগদবা মীওইশিংদা স্কোলরসিপ পীরগনি হায়না ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

কেবিনেট মীফম্মা অয়াবা পীখ্রবা লক্ষ্যা হায়না মিংথোনবা স্কোলরসিপ প্রোগ্রাম অমগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা হায়খি, য়ু পি এস সীগী এগজাম থাগদবা মীওইশিংদা হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংলগনি। আই এ এস, আই পি এস, আই এফ এস অমসুং আই আর এসকী এগজাম থানবগীদমক ষ্টেটকী মপান্দা কোচিং ক্লাস য়াওরিবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ১ স্কোলরসিপ ওইনা পীনবা থৌরাং লৌখৎলে। মহৈরোয়শিং অদুনা মেন এগজাম পাস তৌরবা মতুংদা লুপা ২০,০০০ পীগনি। চহীগী শেন্থোক লুপা লাখ ১০ য়ৌদবা ইমুংগী মীওইশিংদা লক্ষ্যাগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ধেমাজিদা ইমুং ৩০ ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রে

ধেমাজি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি) :

নোংপোক থংবা ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টকী জোনাই সব-দিভিজন মনুং চন্না লৈবা লাললি তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপা মরম্না ইমুং ৩০ গী মীওইশিং ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রে।

ব্রহ্মপুত্র তুরেলগা শম্নবা লাললি তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপনা বেরা-মিলন, বেরা-বেঙ্গলি, তারি মজ গাওন অমসুং করকের খুঙ্গংশিং ঈশিং থুমজিল্লে। তারি-মজগাওন অমসুং বেরা-মিলনগী ইমুং ১৯ লোম বেরা-চাকোতি এল পি স্কুলদা মতম খরগী ওইনা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

অৱাবা তারবা মীওইশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং নোংমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবনা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্নরে।

লোকেল এম এল এ য়াওনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা তেংবাংগী পোৎলমশিং ফংহনবিদুনা অৱাবা কোহনবিয়ু হায়নসু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

EMPLOYMENT NEWS

INDIA POST RECRUITMENT 2019 FOR 10030 GRAMIN DAK SEVAK (GDS) POSTS,APPLY ONLINE @APPOST.IN

India Post Recruitment 2019. India Post Office invites online application for the recruitment of 10030 Gramin Dak Sevak (GDS) Vacancies for Assam, Bihar, Gujarat, Karnataka, Kerala, and Punjab Post Circle. The employment details about the posts, age limit, educational qualification, experience and other conditions are given below as link. The candidates are requested to go through the details and ensure that that they fulfill the minimum prescribed criteria before applying. Apply online from 05-08-2019 to 04-09-2019.

Job Details :

Post Name : Gramin Dak Sevak

No. of Vacancy : 10030 Posts

Pay Scale : Rs. 5200-20200 (PB-1) + Grade Pay Rs.2000/

Eligibility Criteria :

Educational Qualification :candidate should pass 10th standard from approved state boards by the respective State Govt. / Central Govt.

Nationality : Indian

Age Limit : The minimum and maximum age for the purpose of engagement to Gramin Dak Sevaks posts shall be between 18 and 40 years as on the last date of submission of application through online.

Selection Process : Selection will be through merit.

COMPUTER KNOWLEDGE:- The candidate should have computer knowledge and will be required to furnish basic computer training certificate for at least 60 days from a recognized Computer Training Institute. Certificates from Central Government/ State Government/ University/ Boards etc., will also be acceptable for this purpose. This requirement of basic computer knowledge certificate shall be relaxable in cases where a candidate has studied computer as a subject in Class X or Class XII or higher educational qualification provided the candidate submits a certificate of Class X or Class XII or higher educational qualification in which he/ she has studied computer as a subject.

Govt job Location : All india

APPLICATION FEE AND EXAMINATION FEE : Applicant of category OC/OBC Male should pay a fee of Rs. 100/- (Rupees one hundred) . fee payment is exempted for all Female and SC/ST candidates.

How to Apply: Candidate who desires to apply online will have to register himself in the portal through https://indiapost.gov.in or https://appost.in/gdsonline from 05-08-2019 to 04-09-2019

Important Dates to Remember :

Last Date For Submission of online Application : 04.09.2019

Detail Advertisement Link : *http://www.appost.in/gdsonline/*

Apply online Link : *http://www.appost.in/gdsonline/*

IBPS RECRUITMENT 2019 APPLY ONLINE FOR 4336 PROBATIONARY OFFICER/ MANAGEMENT TRAINEE (PO/MT) VACANCIES AT IBPS.IN

Institute OF Banking Personnel Selection (IBPS) Recruitment 2019. Institute OF Banking Personnel Selection (IBPS) Conducted online examination for the recruitment of 4336 Probationary Officer/ Management Trainee (PO/MT) posts in the Participating Organisations .The employment details about the posts, age limit, educational qualification, experience and other conditions are given below as link. The candidates are requested to go through the details and ensure that they fulfill the minimum prescribed criteria before applying. Apply online form 07-08-2019 to 28-08-2019.

Job Details :

Post Name : Probationary Officer/ Management Trainee (PO/MT)

No of Vacancy : 4336 Posts

Pay Scale : Rs 14500 – 25700/-

Educational Qualification :

Eligibility Criteria : Bachelor's degree in any discipline from a recognized University or its equivalent.

Nationality : Indian

Age Limit : as per published in ibps advertisement .

APPLICATION FEE/ INTIMATION CHARGES :

For SC/ST/PWD/EXSM Candidates : Rs. 100/-

For All Others Candidates : Rs. 600/-

Selection Method : Preliminary, Main Online Exam & Interview.

IBPS Bank Job Location : All India

How to Apply : Interested candidates Candidates are first required to go to the IBPS's authorised website www.ibps.in & apply online form 07-08-2019 to 28-08-2019

Important Dates to Remember :

On-line registration including Edit/Modification of Application by candidates: 07.08.2019 to 28.08.2019

Payment of Application Fees/Intimation Charges (Online) : 07.08.2019 to 28.08.2019

Download of call letters for Pre- Exam Training : September 2019

Conduct of Pre-Exam Training : 23.09.2019 to 28.09.2019

Download of call letters for online examination – Preliminary : October 2019

Online Examination – Preliminary : 12.10.2019, 13.10.2019, 19.10.2019 and 20.10.2019

Result of Online exam – Preliminary : October/ November 2019

Download of Call letter for Online exam – Main : November 2019

Online Examination – Main : 30.11.2019

Declaration of Result – Main : December 2019

Download of call letters for interview : January 2020

Conduct of interview : January / February 2020

Provisional Allotment : April 2020

Details Advertisement Link : https://www.ibps.in/wp-content/uploads/CRP_PO_MT_IX.pdf

For Syllabus Link : *IBPS Probationary Officer/ Management Trainee Syllabus*

NVS RECRUITMENT 2019 APPLY ONLINE FOR 2370 PGT, TGT, LDC & OTHER POSTS @ NAVODAYA.GOV.IN

Navodaya Vidyalaya Samiti Recruitment 2019. Navodaya Vidyalaya Samiti (NVS), invites Application for the post of 2370 PGT, TGT, LDC & Other Vacancies on contract basis in Jawahar Navodaya Vidyalayas situated in all over India .The employment details about the posts, age limit, educational qualification, experience and other conditions are given below as link. The candidates are requested to go through the details and ensure that they fulfill the minimum prescribed criteria before applying. Apply online from 10 July 2019 to 09-08-2019 (Extended Upto 25-08-2019)

Job Details :

Trained Graduate Teacher (TGT) (Group- B) – 1154

Post Graduate Teacher (PGT) (Group-B) – 430

Miscellaneous Category of Teachers (Group – B) – 564 (Music, Art, PET Male, PET Female, Lib.)

Lower Division Clerk (Group – C) – 135

Female Staff Nurse (Group – B) – 55

Catering Assistant (Group – C) – 26

Assistant Commissioner (Group A) – 5

Legal Assistant (Group – C) – 1

Eligible Criteria :

Educational Qualification :

For PGT : MA/M.Sc./M.Com with 50% marks or above and B.Ed

For TGT : 4 yrs Integrated Degree Course from R.C.E. of NCERT in concerned Subject with atleast 50% marks in aggregate OR Bachelor's Degree in concerned subjects from Recognized Univ. with at least 50% marks in aggregate. B.Ed from recognised university

For Miscellaneous Category of Teachers (Group – B) : 04 years integrated degree course from Regional College of Education of NCERT with at least 50% marks in the concerned subject (OR) Bachelor Honours degree (OR) Bachelor degree from a recognized board

For Music : Five years study in Music Institution recognized by the concerned State Govt. as equivalent to Graduate/ Post Graduate Degree. OR A Bachelors Degree with Music from a recognized university and B.Ed.

For Art : Five years Recognized Diploma in any discipline of Fine Arts as Drawing/ Painting/ Sculpture/ Graphic Arts/ Crafts after passing Secondary Examination (Class X or equivalent) OR Post Graduate Degree in Drawing and Painting, Fine Arts from a recognized University/ Institution.

PET Bachelor's degree in Physical Education from a recognised institution. Or D.P.Ed. from a recognised University/ Institution provided that the admission. qualification for the diploma is atleast qualification for the diploma is atleast a University's Degree.

For Librarian : University's degree in Library Science from a recognised institution. Or Graduation with One-year Diploma in Library Science from a recognised Institution. Working knowledge of English and Hindi or other Regional Language.

For Lower Division Clerk (Group – C) : 12th class passed and Possess minimum speed of 30 w.p.m in English and 25 w.p.m in Hindi. Passed + 2 or senior secondary from CBSE/State with secretarial practices and office management in vocational subjects

For Female Staff Nurse (Group – B) : 12th passed or equivalent and Grade A (03 years) Diploma/Certificate in Nursing/B. Sc from a recognized board. Registration with Indian/State Nursing Council. Practical Experience of 02 years in Hospital/Clinic

For Catering Assistant (Group – C) : 10th Pass and 03 years Diploma in Catering or its equivalent (OR) Passed 12th class from CBSE with Hotel Management and Catering as Vocational Subject ans at least 01-year diploma in Catering or it's equivalent (OR) Trade Proficiency Certificate in Catering with minimum 10 years of service in Defence Services of the regular establishment (for Ex-Servicemen only)

For Assistant Commissioner (Group A) : Master Degree in Humanities/Science/ Commerce. Persons holding analogous post or post of Principal in the Level – 12 with at least 05 years experience in Level 10 and above in educational planning and administration in any govt/semi govt/autonomous organization

For Legal Assistant (Group – C) : Degree in Law from a recognized university or institution

Nationality : Indian

Age Limit : as per published in advertisement.

Selection Method : written examination / Computer Based Test (CBT) and interview / Personal Interaction.

NVS Govt Job Location : All india

Application Fee :

Assistant Comissioner – Rs. 1500/-

Teacher and Staff Nurse – Rs. 1200/-

Legal Assistant, Catering and LDC – Rs. 1000/-

How to Apply : Eligible candidates can apply through NVS's website official website from 10 July 2019 to 10 August 2019.(Extended Upto 25-08-2019)

Important Dates to Remember :

Last Date For Submission Of Application Form : 10/08/2019(Extended Upto 25-08-2019)

Detail Advertisement Link : *https://drive.google.com/file/d/1hvlPmuKR7ed2O4b__gHVyXvBZv43bgfL/view?usp=sharing*

Apply Online Link : *https://cdn.digialm.com//EForms/configuredHtml/1258/61966//Instruction.html*

অরুনাচল প্রদেশতা পায়খৎলিবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং টাপির গাওনা য়েংশিনখ্রে

বোর্দুমসা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশকী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন তাপির গাওনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং য়েংশিনখ্রে। লোহিট দিষ্ট্রিক্টকী তেজুদা লৈবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিসতা তাপির গাওনা মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উনদুনা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

দেভলপমেন্ট ওফ ইনফ্রাষ্ট্রকচর স্কিমস এন্দ এদভাইজরি কম্মিটি (দিসা)গী মখাদা পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট দেভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি (বি দি সী এম সী)গী মীফমদা এম এল এ ২৫, দেপ্যুটি কম্মিস্নর ১১ অমদি মরু ওইবা দিপার্টমেন্ট খরগী মকোকশিং শরুকশিং য়াখি।

মীফম অদুদা তাপির গাওনা তোঙান-তোঙানবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম ২৮গী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা দিসানা হেল্থ, ন্যুট্রিসন, এদ্যুকেসন, লম্বী-থোং, কম্যুনিকেসন, ইলেক্ট্রিসিটি, নুপী অমসুং অঙাংগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিনখি। সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম পুম্নমক অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবা তঙাই ফদে হায়না পল্লদুনা মীফমদা শরুক য়াখিবা ওফিসলশিংদা মতম চানা থবক পায়খৎনবা খঙহনখি হায়রি।

মীফম লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিংগী ফিভম করম্না থক্তা য়ৌরবগে হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা মরীক চুম্না পাউদমখি। দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা শোত্থহৌরবা প্রোজেক্টশিং অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

মীফমদা শরুক য়াখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ সামলুং মোশাংনা চঙলাং দিষ্ট্রিক্টকী বোর্দুমসা-দিয়ুন কন্সটিট্যুএন্সিদা মতিক চানা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎপা ঙমদবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা মায় পাক্তুনা এম পি ওইরক্লবা তাপির গাওনা বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী। লোহিট দিষ্ট্রিক্টতা মহাক্না নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ অমা চত্তুনা পার্টিগী থৌ পুবশিং অমসুং ৱর্কর কয়াগা উনদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মপুং ফানবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং পায়খৎনবা অমসুং পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

/লায়েংজরি

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নংত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, খবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, খবাক খেবা, খ্বর কুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না খুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতম লৈরবদি হেৎ হন্দ্রক্কনি। ফম্বী চাং হন্দ্রক্কনি, মপান ভোয়না থোক্কনি, হকচাংগী শক্তি শোক্খরক্কনি। হকরিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্কাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুক্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী শাবা, নুপাগী ফম্বী খুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাকচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোক্খবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিভ্রৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নংত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাকচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৌ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙৎদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন মুনবা, খ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোংনা খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌরিবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমঙবী, চহী চানবা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হক্কচবা অসিনচিংবা লায়ঙংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

IHL-B/5585/31/07 - 30/08

DUTTA

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাপুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুধক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, খবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, খবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী খুনা চৎকনবা, অহিংদা কাচ্ছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাচ্ছা লোয়নবা তরবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচংগী শক্তি শোক্খরকপা ফহনবা ঙম্মী। গোনোরিয়া, সিফিলিস ইনফর্টিলিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুক্কী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোক্খরবা ইন্দ্রিগী শক্তিসু অমুক হনগৎহনবা ঙম্বা পুম্নি শাংদোকহল্লগা মেন শন্নার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিভ্রৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমনি ব্রেষ্ট চোক্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফহনহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গাষ্ট্রিকী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্কাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিং কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পরার হেক্কৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাক্কল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংবুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন মুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোংনা খনবা, খ্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিন্না ফহনবা ঙম্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমঙাবী অমদি চহীগী চাংদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্লনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/5584/31/07-30/08

নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লি

দিমাপুর, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সি) :

নাগালেন্দগা লোন্নবা অসামগী সিবসাগর দিষ্ট্রিক্টতা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তগীনা অয়ুপ পুং ৬ ফাওবা মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লি।

সিবসাগরগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট (এ দি এম)না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না অসাম অমদি নাগালেন্দগী লোন্নবা ঙমখৈদা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবা মরম্না নুমিৎ ৬০ নি নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখিগনি।

অথিংবা থল্লিঙৈগী মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারোই। গাড়ি চেনবদসু অথিংবা থল্লে। অদুমওইনমক মেজিষ্ট্রেট, সিক্যুরিটি পর্সনেল অমসুং মথৌ পাঙথোক্লিবা ওফিসলশিংদি অথিংবা কোমথোক্কনি হায়রি।

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3001

	5				4			9
		3					4	5
	4		2				6	
8			9					3
	1						7	
3					5			8
	9				8		5	
2	6					9		
5			1				2	

Solution-3000

1	9	5	7	2	8	4	3	6
7	2	4	3	9	6	5	1	8
6	8	3	4	1	5	9	2	7
3	4	6	8	7	2	1	5	9
5	7	2	9	3	1	8	6	4
8	1	9	6	5	4	3	7	2
4	3	8	1	6	7	2	9	5
2	6	1	5	4	9	7	8	3
9	5	7	2	8	3	6	4	1

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

CROSSWORD-3202



ACROSS

1 Aviators (6)
4 Lump of gold ore (6)
8 Entice (5)
9 Obstacle (7)
10 Common wild duck (7)
11 Unripe (5)
12 True to life (9)
17 Aquatic mammal (5)
19 Aged between 12 and 20 (7)
21 American whisky (7)
22 Shatter (5)
23 A score (6)
24 Surpass (6)

DOWN

1 Harvest season (6)
2 Country walker (7)
3 Additional (5)
5 Honest (7)
6 Engrained dirt (5)
7 Seat of power (6)
9 Game played with a shuttlecock (9)
13 Gymnastic performer (7)
14 Ridiculous pretence (7)
15 Water ice (6)
16 Systematic procedure (6)
18 Ceasefire (5)
20 English county (5)

Solution 3201

T	I	N	Y		A	F	F	L	U	E	N	T
H		I		T		R		E		M		A
R	E	C	L	U	S	E		V	I	P	E	R
O		E		S		N		E		R		N
S	O	R	T	S		C	A	L	V	E	S	
T				L		H				S		T
L	A	C	K	E	Y		J	I	G	S	A	W
E		A				B		N				I
	U	P	R	O	A	R		S	I	S	A	L
C		T		C		I		I		W		I
H	E	A	T	H		G	O	S	L	I	N	G
I		I		R		H		T		N		H
C	O	N	T	E	S	T	S		K	E	P	T

SOLUTION ON NEXT ISSUE



মীগা হুইগা লৈমিন্নখিবগী ৱারী

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম



ঙাইহাক লৈরগা শওম অমখক লাকঅবোইরে।
শাওমদু হুইনাওশিংদুনা লুম্লিবা মাইগৈরোমদা চঙলক্লম্মী।
শাওমনা অকংবা উশা অমা নেৎপদা মখোল থোক্লম্মী।